# অখন্নবা মহৈ-মরোং শা-ঙাশিংগী ওইনা পায়খৎপীবা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং

**ফৌ :-**

☞ লৌহোন শেন্বা অমসুং লৌহোন শেম্নবগীদমক লৌহোনফমশিং লৈবাক ইঞ্চি ২-৩ লুনা খোইবীরগা শেন্বীগনি।

☞ অঙনফৌশিং মচা য়াম্না পোল্লকপা মতমদা য়ুরিয়া কিলো ৫৫ পরিদা হাপ্পীগদবনি।

☞ অঙনফৌ মখলশিং মহৌশানা অতেনবা মতমগী ওইবনিনা মপাল থুনা শাৎলক্কনি; লৌমীশিংনা উচেক ঙাকথোক্লবা মীতমশিং, মমিৎ থকহনবা ঙমহনবা টেপ/রিবনশিং, মচু-মচুগী রিবন নৎত্রগা প্লাষ্টিকশিং লৌফমদা উচেক তান্থোক্লবা থন্বীগনি।

☞ এজোল্লা (কং) লৌফমদা হাপ্পীয়ু। মসিনা ওর্গানিক মেট্টর পীবদা নত্তনা ফৌদা নাইট্রোজেন মরাং কায়না পীগনি।

☞ ফৌ চরোং মঙক্তা খামদেকপী (নেকব্লাষ্ট) - ফৌনা মপাল শারকপা মতম অমসুং মতুংদা অমুক্তা Tricyclazole 75 WP@ 0.6 gm/ litre water নৎত্রগা Propiconazole 1ml/litre water লৌফমদা কাপ্পা মতমদা ঙাকথোকপা ঙমগনি।

☞ Propiconazole 25 EC@ 10 ml/litre water নৎত্রগা Copper Oxychloride ফৌনা মপাল শাৎলমদাইগী মতমদা কাপথোকপনা ফৌদা কন্বোং শাৎপদগী ঙাকথোকপা ঙমই।

☞ Imidacloprid 200 SC@ 125 ml/ha লৌফমদা কাপথোকপনা WBPH অমসুং BPH (Hopper) দগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

☞ Fipronil 0.3 G@ 25kg/ha চাইথোকপনা Gall midge দগী ঙাকথোকই।

☞ Pheromone trap (Scripolure) পরিদা trap (লাং) নিপান/মাপন ফৌ ময়োন চিকপী (Stem borer) দগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা য়াই।

**চুজাক :-**

☞ লৌফমশিং কালেনগী মতমদা লুনা খোইদোকপনা চুজাক পান্বীদা Fall army worm তারক্তনবা হোৎনবীয়ু।

☞ চাথোক লৈবা, মগুন লৈবা প্রোটিন য়াওবা HQPM-1 চুজাক মখল থানবগীদমক শীজিন্নবা য়াই। লৌমীশিংনা লমদমসিগী মখলশিং হায়বদি খোংজাই চুজাক, কবোক চুজাক, চাকহাও চুজাকনচিংবসু শীজিন্নবা য়াই।

☞ নাপীশিং হৌরক্ত্রিঙৈদা নাপী হীদাক Atrazine কিলো ২ ঈশিং লিটর ১০০০ লৌ পরিদা কাপথোকপীয়ু। করিগুম্বা হৱাই কাঙলূপশিংগা থামিন্নরবদি Alachlore মথক্তা পীজরিবা চাংসিদা কাপথোক্লবা শীজিন্নবীয়ু।

☞ হৱাইমখলশিংহায়বদিশগোলহৱাই, রাজমা, কোলিহৱাইশিং অমদিঅতোপ্পা পান্বীমখলশিংহায়বদিশীং, য়াইঙং, মোরোক, ভেলেন্দ্রিনচিংবা

☞ চুজাক পান্বী পরেং অনীগী মরক্তা ইন্টরক্রোপ ওইনা থামিন্নদুনা অহেনবা পোথোক অমদি শেন্দোং ফংনবগীদমক হোৎনবীগদবনি।

☞ চুজাক পান্বীনা খুকউমুক ৱাংবা মতমদা 40 kg Nitrgen লৌ পরি অমদা হাপ্পুনা অমদি মখোঙদা লৈবাক খোপচিনবীদুনা চুজাক পান্বীশিং তুদনবা হোৎনবা য়াই।

**মনা-মশিংগীদমক :-**

☞ এপ্রিল-মেগী মতম য়ৌরকপগা লোয়ননা খামেন অশিনবা, শীং, ভেলেন্দ্রি, মোরেক, খোংদ্রুম, কারোট অখাবী, থবী, মাইরেননচিংবা থাবীবা য়ারে।

☞ মে থা য়ৌরকপগা লোয়ননা খামেন অশিনবগী মখল 'অরকা বাকশাক' থানবা শেম শাবীগনি। লৌ পরি অমা থানবগীদমক চারা শেম্নবা মরূ গ্রাম ৪০০ চংগনি। অদুগা এন পি কেনা ১২০:৮০:৮০ শীজিন্নবীবগা লোয়ননা পান্বীগা পান্বীগা সেন্টিমিটর ৬০ অমদি পরেংগা পরেংগা সেন্টিমিটর ৬০ লাপ্পনা থাবীগনি।

☞ খামেন বারমাসিকাগী মখল 'পুসা পর্পল লোং' অসি মে য়ৌরকপগা লোয়ননা থানবা শেম শাবীরগদবনি। লৌ পরি অমদা দরকার লৈবা মরূগী চাং গ্রাম ৮০০, হার ওইনা এন পি কে ১২০:৮০:৬০ হাপ্পীবগা লোয়ননা পান্বীশিং অদু পরেংগা পরেংগা সেন্টিমিটর ৬০ অদুগা পান্বীগা পান্বীগা সেন্টিমিটর ৪৫গী চাংদা লাপ্পনা থাবীগনি।

☞ ভেলেন্দ্রিগী মখল এন ও ঐচ - ৭১০০ অসিসু মে থা য়ৌরকপগা লোয়ননা থাবীরগদবনি। লৌ পরি অমগী লৌফমদা থানবগীদমক মরূ

কেজি ১০ চংগনি। হায়রিবা মফম অসিগীদমক হার ওইনা এন পি কে ১২০:৮০:৬০গী চাংদা হাপ্পীগনি অমদি পাম্বীগা পাম্বীগা সেন্টিমিটর ৪৫, পরেংগা পরেংগা সিন্টিমিটর ৬০গী চাংদা লাপ্পনা থাবীগনি।

☞ খোংক্রুম, মাইরেলগী কাঙবুগী পাম্বীশিংগীদমক ফৈদোম শেম্বীদুনা ঈশিং চিথফম থম্বীবগা লোয়ননা লন্না-লন্না থাবীদুনা নুংশা মরাং কায়না ফংনবা অমদি নুংশিৎ মরাং কায়না ফংহন্দুনা দাউনি মিলদিয়ু হায়বা লায়না অদুদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি।

☞ Fruit flies কৌবা তীল অদুনা মরম ওইদুনা কেল্লবা খোংক্রুম মাইরেল অমদি খামেন অশিনবশিং অদু খুনজিনবীরগা কোম অমা লুনা তৌবীরগা ফুমজিনবীগদবনি।

**শা-ষণ, য়েন-ঙানুশিং :-**

☞ শা-ষণ, য়েন-ঙানুশিংনা চান-থক্লবা পাত্র খুদিংমক শাপোন-শুধানা শেংনা চামথোকপা হৌদ্রিঙৈদা অমদি চামথোকপা লোইরবা মতুংদা খূৎ-শা শেংনা হামদোকপীগনি।

☞ শা-ষণ শেন্নবা মতমদা শেন্নরিবা মীশিংদু থবক তৌরিঙৈ মতমদা অমগা অমগা লাপথোক্লা লৈবগী হৈনবী থম্বীগনি অমদি শা-ষণ শেন্নবা নৎত্রগা পীজ-পীথক তৌরিঙৈদা মায়খুম উপ্পীগনি।

☞ মতম মতমগী ওইনা শা-ষণ, য়েন-ঙানু খুদিংমক তীল হীদাক অমদি টিকা থাবীগনি। করিগুম্বা তাননীংবা তারগসু জিলা-জিলাদা লৈরিবা ভেটিরিনরি ডোক্তরশিংগা নৎত্রগা জিলা-জিলাদা লৈরিবা কে ভি কেগী অহে-অশিংগা তানবীগনি।

☞ টিকাশিং খুদম ওইনা স্বাইন ফিভর, রানিকেট, ফাওল পোক্স; গমরোবো দিজিজ; আই বি দি; মরেক দিজিজ এফ এম দি; ব্ল্যাক ক্বোটর, ঐচ এস অসিনচিংবা থাদোকপীগনি।

☞ করিগুম্বা মপান্দগী পুশিল্লকপা মচিঞ্জাকশিং ফংলক্তবা তারগদি লমদমসিদা ফংলিবা মচিঞ্জাকশিং খুদম ওইনা হায়রবদা চুজাক, ৰাইরু, চগেম, অকংবা ঙাগী লেমহৌখাকশিং, চাকখুমগী চগুম-চনাইশিং, মনা-মশিং কয়াশিংসি পীজবীগনি।

☞ শা-ষণগী মকোন্দা মীতোপ য়ারিবমখৈ চঙবীরোইদবনি অমদি মকোনশিং লূ-নান্না থম্বীগনি।

**ঙা য়োকপা :-**

**ঙা য়োক্লবা ঈশিং শেম শাবা :**

☞ পুখ্রিগী ঈশিংদু তরু-তনান্না থম্বীবগা লোয়ননা তঙাইফদবা ইন্থফম থোকপা ঈশিংগী চাংদু য়ৌহনবীগনি অমদি ঈশিংগী অশিন-অয়াক ওইফম থোকপা চাংদুদা থম্বীগনি। মসিগা লোয়ননা শুনু কেজি ৫০০ লৌ পরি অমা চাউবা ঈশিং মিটর অমা লুবা মফমদা অমদি $KMnO_4$ (Potassium Permaganate) ঈশিং লিটর অমদা মিলিগ্রাম ৩-৪গী চাংদা হাপ্পীগনি।

**- মচিঞ্জাক থাবীবগী মওং :**

☞ খূৎশেমগী ওইবা ঙা মচিঞ্জাকশিং পীজবীনবগীদমক পুখ্রিদুদা ঙা কেজি ১০০ লৈবা মতমদা মচিঞ্জাক কেজি ৩ থাবীগনি। করিগুম্বদা অসিগুম্বা মচিঞ্জাক মখলসি ফংদ্রগদি ঈশাগী লৈকায়দা ফংবা চেঙকুপ/ৰাইকুপ অমদি হঙ্গাম থাওগী থাওথী মান্নবা চাংদা য়ান্নবীরগা মথক্তা পীজখিবা চাং অসিদা পীজবীগনি।

**- ঙা মচা শেম্বা :**

☞ ঙা মচাশিংদু মশা-মউ ফনা থম্লবগীদমক নুংতিগী চাং নাইনা য়েংশিনবীগনি। ঙা মচাশিংদু মতম চানা য়োনবা ঙমদ্রগদি হান্না নীংথিনা শেল্লবা হেন্না চাউবা পুখ্রিশিংদা হোংদোকপীগনি।

☞ হপ্পা নৎত্রগা হেটচরিনচিংবা শীজিন্নবীদুনা ঙা মচা হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবদা পূক্নিং শৌগৎপীগনি।

**- ঙাগী লায়নাদগী চেকশিনবা :**

☞ ঙাশিংদু চাং নাইনা অনা-অয়েক য়াওব্রা হায়না য়েংবীগনি। করিগুম্বা লায়নাগী লায়ওংশিং উবিরগদি মনাক নকপা কে ভি কেশিংদা লৈবা অখঙ অহৈশিংগা তানবীগনি।